**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ঙাকশেলগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

২) রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়াতিরাজ মন্ত্রি ৱাই. খেমচান্দনা হায়রি-আই.দি.পিশিংগী ওইনা শাগদবা য়ুম মশিং লিশিং ৭ তগী লিশিং ১৫ দা হেনগৎপীনবা কেন্দ্রদা হায়জখ্রে।

৩) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-এস.বি.আই রিছার্স রিপোর্টকী মতুং ইন্না ভারতকী খুঙ্গংগী লাইরবগী চাং ইং ২০২৩-২৪ দা চাদা ৪.৮৬ হন্থরে।

৪) থৌবাল জিলাগী মীয়ামগী নুমিৎতা ঙসি ৱাকৎ ৪৯০ হেন্না লাকখি। বিষ্ণুপুরগী ওইনা থা অসিগী ১০ দা পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৫) ইদুকেসনেল ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং হেন্না চাউখৎহন্নবা সরকারনা ফন্দ হেনগৎহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না কেন্দ্র শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না ফোংদোকখ্রে।

**------**

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা সেক্যুরিতি মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ঙাকশেলগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি।

রাজ ভবনগী সেক্রেটরিয়েটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম য়েংলগা রাজ্যপালনা সেক্যুরিতিগী থবক থৌরম অমসুং রাজ্য শিনবা থুংবদা থল্লিবা সেক্যুরিতিগী মওং মতৌ মরুওইনা ঙমখৈ পরিংদা থল্লিবা সেক্যুরিতিগী মতাংদা পুপা খন্নখি হায়রি। রাজ্যপালনা দি.জি.পি রাজিভ সিংহদা মীয়াম্বু অশোই অঙাম য়াওদনা থম্বদা অহেনবা মীৎয়েং চংনবা খঙহনখি। রাজ্যপালনা লান্মী অমসুং পেরা মিলিটরি ওফিসারশিংনা রাজ্য অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্সা ঙাক শেন্দুনা থমবা হোৎনবদা সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনদা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবসু পাউতাক পীখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা চীফ সেক্রেতরি বিনিত জোসি, মণিপুর সরকারগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, কম্মিসনার হোম- এন.অশোক কুমার, আই.জি.এ.আর (সাউথ) মেজর জেনেরেল রবরুভ সিংহ, ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজনগী জি.ও.সি- মেজর জেনেরেল এস.এস. কর্তিক্যা, সি.আর.পি.এফকী আই.জি.পি বিপুল কুমার অমসুং বি.এস.এফ অমদি সি.আর.পি.এফকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

আইদিপি (এল)ঃ রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়াতিরাজ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- কেন্দ্রগী সরকারগী অমৃত সরোভর স্কিমগী মখাদা রাজ্য অসিগী পুখ্রি লিশিং ১,২০০ তৌনবা পান্দম থমখিবা অদু চাদা চামা ফংবা ঙমলে।

ঙসি ওল্ড সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মন্ত্রিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- আই.দি.পিশিংগীদমক ভারত সরকারনা য়ুম লিশিং ৭ শাবগী অয়াবা পীরক্লে। অদুবু মসি লিশিং ১৫ দা হেনগৎপীনবা হায়জখ্রে। মহাকা হায়- ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মীওই লিশিং ৬০ হেন্না লৈফম চাফম লৈত্রিবা অসিগী য়েংলগা য়ুম মশিং হেনগৎনবা অমদি য়ুম শাবদা

চংবা শেনফম হেনগৎপীনবা হায়জখ্রে। অথুবদা কেন্দ্র সরকারনা য়াবীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মন্ত্রিনা হায়- পি.এম.জি.এস.ৱাইগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী টেন্দর ককথৎখিবা অদু অথুবা মতমদা অমুক হন্না টেন্দর তৌরগনি। মহাকা হায়- পি.এম.জি.এস.ৱাইগী থবক শুবা লোইরবশিংগী শেনফম ত্রেজরিদা লৈরে, অথুবা মতমদা থাদোক্লগনি।

উচেক (এল)ঃ লোক্তাক পাৎতা চাক্তারিবা উচেক্কী মতাংদা মীয়াম্না ভাব তাহন্নবগী কেম্পেন অমা ঙসি তাকমুদা লৈবা লাইশোই চীং অমসুং কৈবুল লমাজউগী সগ্রামদা হৌখ্রে। নোংমগী ওইবা কেম্পেন অদু ইনভাইরোনমেন্টল সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ শঙাই প্রোতেক্সন ফোরমনা রোস্কা ক্লব সগ্রাম কৈবুল লমজাউ অমসুং লাইশোই য়ুথ ক্লবনা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতি অমসুং দি.এফ.ও বিষ্ণুপুরগী মখাদা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

লোক্তাক পাৎতা নিংথম থাগী মতমদা চাক্তাররিবা উচেকশিংগী মরুওইবা অমসুং হৌজিক পাৎ অসিগী ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি। কেম্পেন অদুগী শরুক অমা ওইনা লোক্তাক পাৎতা চাক্তারিবা উচেকশিং কনশি, মখোয়বু নুংশিনা তৌশি হায়বা ৱাফম থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা মীয়ামা ৱাশকমিন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এল.দি.এগী চেয়ারমেন এম. অশিনিকুমারনা হায়- লোক্তাক পাৎপু রামসর সাইট ওইনা শকখঙনবা হোৎনবদা পাৎ অসিদা চাক্তারিবা উচেকশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি। পাৎ অসিদা চাক্তাররিবা উচেকশিং লৈত্রবদি লোক্তাক পাৎপু রামসর সাইটনি হায়না লৌবা য়াদে। মরম অদুনা ঈশিংদা চাক্তাবা উচেকশিং লৈবা হায়বসি পাৎ অসিগী অকোইবগী খলদা য়ামা মরুওই।

বিরেন (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-এস.বি.আই রিছার্স রিপোর্টকী মতুং ইন্না ভারতকী ওইনা খুঙ্গংগী লাইরবগী চাংচৎ অসি ইং ২০১১-১২ দা চাদা ২৫.৭ তগী ইং ২০২৩-২৪ দা চাদা ৪.৮৬ হন্থরে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সহরগী লমদা লাইরবগী চাং ২০২২-২৩ দা চাদা ৪.৬ ওইরম্বদগী ইং ২০২৩-২৪ দা চাদা ৪.০৯ দা হন্থরে। মসি পুমমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি সরকারগী থৌশিল থৌরাংননি। মহাকা হায়- ঐখোয়না হৌজিক মাঙলোমদা চংশিল্লিবা অসিদা মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ুমথোঙ খুদিংমক চাওখৎপগী খুদোংচাবা পুন্না ফংমিন্ননবা হোৎনবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি মরামগী মীয়ামগা উন্নখ্রে। মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা মরামগী মীয়ামগা উন্নখিবা অদুদা লমদম অদুদা চাওখৎপা অমদি জাতিশিং অসিবু হেন্না ফগৎহন্নবা মখোয়না লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ইং ২০২৫ চংশিল্লকপগা লোয়ননা নহাশিংবু হেন্না শক্তি পীদুনা অমনা অমগী থৌদাং পাঙথোকদুনা অমত্তা ওইনা পুন্না চাওখৎমিন্ননবা হোৎনরশি হায়না ফোংদোকখি।

নুমিৎ (এল)ঃ থৌবাল জিলাদা ঙসি মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা থৌবাল দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্তিং হোলদা পাঙথোকপা মীয়ামগী নুমিৎ অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা মীয়ামগা উন্নদুনা মখোয়গী ৱাকৎশিং তাখি।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমী শোইবম বিনোইনা হায়- অয়ুক পুং ১১ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা চথখিবা মীয়ামগী নুমিৎ অদুদা পুন্না ৱাকৎ ৪৯০ হেন্না লাকখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা হাংখিবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ষ্টোলশিংদা লাকপা ৱাকৎশিংগী মনুংদা ওল্ড এজ পেন্সন, পি.এম-অৱাজ য়োজনা, ও.বি.সি সার্তিফিকেট, পার্মেন্টে রেসিদেন্সিয়েল সার্তিফিকেটনচিংবনি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ থা অসিগী ১০ ইরাই নুমিৎতা পঞ্চায়ট রিছোর্স সেন্তর বিষ্ণুপুরদা পাঙথোক্লগনি। জিলা অসিগী

দিপ্যুতি কমিস্মনার লৌরেম্বম বিক্রমনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মীয়ামগী নুমিৎ মপুং ফানা পাঙথোকবগীদমক অখন্নবা সেল অমা হাংদোক্লে।

ইমো (এল)ঃ শগোলবন্দ কন্সটিটুয়েন্সি প্রোগ্রেসিভ কমিতিনা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ- আর.কে. ইমোগী মীৎয়েং মখাদা স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং চথুরি। অনিসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙসি উরিপোক পোলেম লৈকাইদা লৈবা চাউখৎ খোঙথাং ত্রেনিং ইন্সটিটুয়টতা হৌদোকখ্রে। অহানবা তাঙ্কক্তা নহা ৭০ হেন্না তোঙান তোঙানবা লমশিংদা স্কিল দিভলপমেন্টকী ত্রেনিং পীখি।

ট্রষ্ট (এল)ঃ অনা লায়েংবদা চংবা হিদাক লাংথকশিং লৈবাক অসিগী মীয়ামদা অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা পান্দমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা প্রধান মন্ত্রি ভারতিয়া জন ঔসাদি কেন্দ্রগী ব্রাঞ্চ অমা ঙসি থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা লৈবা ডাঃ প্রতিতা চেরিতেবল ট্রষ্টতা হাংদোকখ্রে।

এআর (এল)ঃ অককবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলস অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা য়ু.এন.এল.এফ(পাম্বৈ)গী ওভর গ্রাউন্দ ৱার্কর অমা ফারে হায়রি। ইম্ফাল ইষ্টকী হত্তা গোলপতিদা চথুখিবা ওপরেসন অদুদা মীওই অদু ফাবা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই অসিনা নমদুনা লাক্লকখিবা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমসু লৌখৎপা ঙমলে হায়রি। ফারবা মীওই অদু মখা তাবা ৱাহং পাউহং চথুনবা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

শিক্ষা ঃ ইদুকেসনেল ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং হেন্না চাউখৎহন্নবা সরকারনা ফন্দ হেনগৎহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না কেন্দ্র শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না ফোংদোকখ্রে।

দিল্লি য়ুনিভর্সিতিদা সমরপন সমারোহ হৌদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- দিল্লি য়ুনিভর্সিতি অসি মহৈরোইশিংনা হায়র ইদুকেসন মখা তম্বগী হেন্না পামবা মফম অমা ওইরক্লি। মহাকা হায়- লাক্লিবা চহি অসিদা য়ুনিভর্সিতি অসিনা নোলেজ

বেজ ইকোনোমি শেমগৎপদবা মতেং পাংগনি। থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা শাশক বেতি অমদি ই-দ্রিষ্টি প্রোজেক্ট হৌদোকখি। মন্ত্রিনা প্রোজেক্ট অনি অসিগী মখাদা মমা মপা লৈজদ্রবা অঙাংশিং, মমা নত্রগা মপা লৈত্রবা নুপী মহৈরোইশিং অমসুং উবগী চাং ৱাৎলবা মহৈরোইশিংদা লেপটোপ অমসুং টেব্লেৎ য়েন্থোকখি। শ্রী ধরমেন্দ্র প্রধান্না য়ুনিভর্সিতি ওফ দিল্লি এম্বুলেন্সসু হৌদোকখি। শিক্ষা মন্ত্রিনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা দোনর ক্রোনিকল ২০২৪ ফোংখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী লাইরিক পরিক্ষা পে চরচা-একজাম ৱারিয়র হায়বসি মহাক্কী নত্তে, মসিদি মীয়ামগীনি। মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা থাদ্রিঙৈ মাংওইননা লাইরিক অসি অনি অহুম্লক পাগদবনি।

নিউ দিল্লিগী শান্তিপথতা পাঙথোকপা একজাম ৱারিয়র আর্ট ফেষ্টিভেলদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- মহৈরোইশিংনা পরিক্ষাগী মতমদা পাখৎলিবা অসি অতৈ করিসু নত্তে, মহাক্কী পুন্সিদা মহাকা ওইগে খল্লিবা পান্দম অদু ফংলোইদ্রা হায়না পাখৎপনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা পরিক্ষাগী মতমদা মহৈরোইশিংনা হেন্না পুকিং লাংতকবা ফাওদনবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- সিনেমা কুল্লিবা মীওইশিং অমসুং শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী লমদা মায় পাক্লিবা অসি মখোয়গী থবক অদুবু লুমা লৌবদগীনি। একজাম ৱারিয়র আর্ট ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা স্কুলদগী লাকপা মহৈরোইশিং লিশিং ৫ রোম শরুক য়াখি।

পিএম ঃ লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুঙ্গংগী লমশিংবু চাওখৎপা অমসুং খুদোংচাবা ফংফম ওইহন্নবা খুঙ্গংগী লমশিং শক্তি হেন্না পীননবা সরকারগী মঙলান প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নৌহৌননা ফোংদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ইং ২০১৪ দগী হৌনা সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী লমশিংদা থবক কয়ামরুম পায়খৎতুনা মীয়াম্বু অফবা পুন্সি মহিং অমা পীনবা হোৎনরি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা খুঙ্গং খুদিংমক্তা দরকার ওইবা খুদিংমক ফংহন্নবা কেম্পেন কয়ামরুম হৌদোকখ্রে। নিউ দিল্লিদা ভারত মন্দাপ্পমদা ঙসিদগী হৌখিবা গ্রামিন ভারত মহোৎসব হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। থা অসিগী ৯ ফাওবা চথুগদবা মীফম অসিগী হিরমনা বিল্ডিং এ রেজিলিয়ান রুরেল ইন্দিয়া ফোর এ বিক্সিত ভারত ২০৪৭ হায়বসিনি।

শ্রী মোদিনা হায়- সরকারনা পায়খৎলিবা স্বাচ ভারত অভিয়ান, পি.এম-অৱাস য়োজনা, জল জিবন মিসন্নচিংবা পায়খৎলিবা অসি খুঙ্গংগী লমশিং চাওখৎনবনি। মহাকা হায়- কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা প্রধান মন্ত্রি ফসল বিমা য়োজনা ইং ২০২৫-২৬ ফাওবগী ওইনা চহি অমা শাংদোকপদা অয়াবা পীখ্রে। মহাকা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির লাখ ১ লিশিং ৫০ রোমগী খুথাংদা মীয়ামা অফবা হকশেলগী খুদোংচাবা ফংলি।

শ্রী মোদিনা হায়- ইং ২০২৫ গী হৌরকপদা ঙসি হৌদোক্লিবা গ্রামিন ভারত মহোৎসব অসিনা ভারতপু চাওখৎ মাইকৈদা চংশিন্নবগী লম্বী য়াৎলগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়- ইং ২০০৩ দগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা জি.আই.টেগস ৬৫০ পীখ্রে। মহাকা হায়- ঙসিগী মহোৎসব অসিদা ত্রাইবেলশিং অমসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী আর্তিসানশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং উৎলি।

ম্যান্মার ঃ ম্যান্মারগী ইন্দিপেন্দেন্স ডেগা মরী লৈননা বন্দি লিশিং ৬ লোম থাদোক্কদৌরি। ম্যান্মারগী মিলিটরি সরকারনা হায়- লৈবাক অদুগী নীংতম্বা নুমিৎকা মরী লৈননা মীরৈবাক মচা ১৮০ য়াওনা বন্দি লিশিং ৬ অদু থাদোক্কদবনি। মসিগী মথক্তা বন্দি ওইনা লৈরিবা অতৈ মীওইশিংগী ফাদোক্কী মতমসু হন্থরগনি হায়রি। অদুমওইনমক, মিলিটরি সরকার অসিনা বন্দিশিং অদু করি মরমগীদমক ফাখিবনো অমদি থাদোক্কদৌরিবা মীরৈবাক মচাশিং অদু করম্বা

লৈবাক্কী বন্দিশিংনো হায়বগী অকুপ্পা ৱারোল ফোংদোক্ত্রি। মিলিটরিনা হায়-মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা মখোয়বু ঙাকপীগদৌরিবনি। মিলিটরি সরকারনা বন্দি ওইনা থন্লিবশিংগী মনুংদা ম্যান্মারগী লুচিংবী অমসুং নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবী ওং সান সু চি য়াওরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.সি.দি.ও-ক্যামগৈনা কে.আই.ৱাই.সি ক্ষেত্রিগাউবু রন ৩২৬ তা থোইখি। খাঙবোক পার্টথ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.পি.এ থৌনাউজমনা নপসা খা ইম্ফালবু রন ৮৪ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরিবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.সি.সি. কোংবানা ই.এস.য়ু ৱাংখৈবু রন ৬০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পময়াল গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১২ শুবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সোয়োনা থাউ থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.জে.সিনা ই.এস.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ভোল্লিবোল (এল)ঃ ওল মনিপ্র ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সেকমাইজিং খুনৌ য়ুথ ক্লবনা শিনদুনা পাঙথোকপা অহানবা রাজ্য থাক্কী জ্নিয়ার ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ.এম.আই.এম.ৱাই.দি.ও ময়াং ইম্ফালনা এস.দি.সি সাংথেলবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

চেস (এল)ঃ ইন্দ্র চেস একাদমিনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চগুগদবা ফ্রি চেস ব্রিন্টর কেম্প অমা ইম্ফাল ইষ্টকী কোংপাল চনম লৈকাইদা হয়েংদগী হৌরগনি। চহি অহুমগী মথক্তা লৈবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিং কেম্প অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

------